# লেষ্টর সিটিনা চেলসিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ক্লব অসিগী অহানবা এফ এ কপ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




লন্দন, মে ১৬ (এজেন্সী):
মালেমগীখ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা এফ এ কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লেষ্টর সিটিনা ক্লব অদুগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা চেলসিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা ভাবোক লিশিং ২০ হেন্না মীৎয়েং তাখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নना শান্নরকখি। নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা লেষ্টর সিটিনা সাউথমটনবু মমাং থাগী ১৮দা শান্নবদা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি। অমরোমদা, চেলসিনা এপ্রিল ১৭তা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেটচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

হন্দক্কী সিজনদা পাঙথোকপা এফ এ কপ অসি টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা ১৪০রক শুবা এদিসননি। হৌখিবা সিজনদা অর্সনেলনা চেম্পিয়ন ওইরম্বনি। অদুবু হায়রিবা টিম অদু মরিশুবা রাউন্দদা সাউথমটনগী মখূৎতা মায়থীরগা লৈহৌখি।

লেষ্টর সিটি মমাংগী সিজনশিংদা ফাইনেল য়ৌবা মরিরক য়াওখ্রবনি। অদুবু টাইটল লৌবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী এফ এ কপকী ফাইনেল চঙখিবা অদু কুমজা ১৯৬৯না ইকোন কোনবা ওইখি। মদুগী মতুং মখোয় ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ক্লব অসিনা য়াম্না ফজখিবা তাঙ্কক অদু কুমজা ২০১৬তা প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুনি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেটচ অদুদা কেপ্টেনসু ওইরিবা গোলকিপ্পর কেস্পর স্মাইকেলনা চেলসিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা কাওশিল্লকপা বোল কয়া সেভ তৌবা ঙমখি। অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা লেষ্টর সিটিনা বোল হেন্না পায়বা হেল্লকখি। শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা চেলসিগী হাফতা বোল অমা লেষ্টর সিটিনা মুন্দুনা টিম অদুগী শান্নরোয় ল্যুক থোমাসনা য়াম্না ফজবা মওংদা পাস তৌরকপদা টিমমেট বেলজিয়মগী মিদ ফিল্ডর টিলমান্সনা কাওশিনখিবদা চেলসিগী গোলকিপ্পর কেপা অরিজাবালাগাবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

চেলসিগী মায়কৈদগী চিলৱেল নৌনা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথখিবা এটেক অমদগী ফংখিবা বোল অমা য়াম্না শাফূ কন্না চোংখৎলগা হেদ তৌশিনবদা লেষ্টর সিটিগী গোলকিপ্পর স্মাইকেলনা য়াম্না ফজনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা চেলসিগী ষ্ট্রাইকর মেসন মাউন্টনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমসু স্মাইকেলনা সেভ তৌদুনা লেষ্টর সিটিনা চনখিবা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চেলসিনা হন্দোকহন্দনা ফাইনেল মেটচ অদু লোইশিনখিবদগী এফ এ কপ টাইটল অদু মখোয়না চেলসিবু মায়থীবা পীরগা লৌবা ঙমখি।

# পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেকনা চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



রোম, মে ১৬ (এজেন্সী):
ইটালিগী কোনুং রোমদা শান্নবা ইটালিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেকনা চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইদুনা ইটালিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

আইগা সিৱাটেক টুর্নামেন্ট অসিদা ১৫শুবা সিদেদ ওইনা শান্নবা য়াওরকখিবনি। মহাক্না কোর্টর ফাইনেলদা মঙাশুবা সিদেদ এলিনা স্বিটোলিনাবু ৬-২, ৭-৫দা মায়থীবা পীরমখি। লোয়ননা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিবু থোইরম্বী য়ু এস এগী কোকো গোফপু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুকয়ারকখিবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা কোর্টর ফাইনেলদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৪-৬, ৭-৫, ৭-৬ (৭-১)দা থোইরমখি। অদুগা সেমীফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিকপু ৬-১, ৩-৬, ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদু আইগা সিৱাটেককী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা কেরোলিনা প্লিসকোভাবু হীরম খূদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা কেরোলিনা প্লিসকোভাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক সিৱাটেকনা ব্রেক তৌদুনা ৬-০দা সেট মায় পাক্তুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা প্লিসকোভাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনরকখিবা অদু আইগা সিৱাটেকনা চপ চাবা পাউখুম পীদুনা হেনগৎহনবা ঙমহনখিদে। অনীশুবা সেট অদুদসু সিৱাটেকনা প্লিসকোভাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক অুমক্কা হন্না ব্রেক তৌদুনা অমদিমশাগী সর্ভিস গেম অদু শোয়হনখিদবদগী অহানবা সেট অদুগী স্কোরগা চপ মান্নना ৬-০দা থোইদুনা ইটালিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না শেলগী মনা য়ুরো ১,৫৭৭,৬১৩ লৈরিবনি। লোয়ননা সিৱাটেকনা চেম্পিয়ন ওইবগীদমক য়ুরো ১৭৮,৬৩০গী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা রন্নর্স অপ তাহৌরবী কেরোলিনা প্লিসকোভানা য়ুরো ১৩২,২৫৮গী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৫শুবা সিদেদ য়ু এস এগী রজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরিগী প্যেরগা অনীশুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেক্টিক অমদি মেথ পাভিসকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদু ক্রোএসিয়াগী প্যের অদুনা য়ু এস অমদি গ্রেট বৃটেনগী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৪দা সেট অমা থোইরগা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহানবা সেটতা শান্নখিবা মশান্না অদুদগী হেন্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈরকপদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেক্টিক অমদি মেথ পাভিসকী প্যের অদুনা য়ু এসকী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরিবু পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা দবলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। মখোয় অনীনা শেলগী মনা ওইনা য়ুরো ৫০,০০০ ফংখি।

# রেষ্টলর সুশিল কুমারগী মথক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
দেল্লী কোর্ট অমনা থাংজ নুমীৎতা ওলিম্পিক অনীরক মেদল ফংবা ঙমখ্রবা রেষ্টলর সুশিল কুমার য়াওনা অতোপ্পা রেষ্টলর ৯ অমগা লোয়ননা জুনিয়র রেষ্টলর সাগর রানা হাৎখিবগী মতাংদা নন-বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে।

নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টতা দেল্লী পুলিসনা মহাক ফাবদা মনাসু পীরগনি হায়রি। পুলিসনা সুশিল কুমার অমদি অতোপ্পা মীওই ৯ অদুগী মথক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌননবা কোর্টতা এপ্লিকেসন পীখিবনি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না সুশিল কুমার অমদি মহাক্কী এসোসিএট ওইরিবা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা অজয় কুমারসু মমাংদা জুনিয়র নেসনল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন ওইরম্লবা মশাগী চহী ২৩ শুখ্রবা সাগর রানা হাৎপদা চেন্নে হায়না অশোকপা য়াওখিবশিং অদুনা ফোঙদোরকখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা দেল্লী পুলিসনা ফংখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না সুশিল কুমার হরিদ্বারদা যোগ গুরুগী আশ্রমদা লোৎতুনা লৈরি হায়বা পাউ ফংখি। হীরম অসিগী মতাংদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থৌদোক অদুনা এসোসিএসন অসিগী মীংচৎ হন্থহল্লবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। দেল্লী পুলিসনা সুশিলবু থিবগী ওর্দর মমাংদা থোকখ্রবনি। থা অসিগী ৪দা ছাট্রাসল ষ্টেদিয়মদা খৎন-চৈনবা থোকপদা রানা লৈখিদবনি।

# পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা ট্রেনিং চথবদা কান্নবা কয়া পীরি হায়না ওলিম্পিক ক্কালিফায়র ওইরবী বোর্গোহেননা ফোঙদোকখ্রে

পুনে, মে ১৬ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্কালিফাই ওইরবী লোভলিনা বোর্গোহেননা হৌজিক-হৌজিক মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা ইন্দিয়াগী নুপীগী এলিট বোক্সরশিংগী ওইবা ট্রেনিং চথরিবা অসিনা কান্নবা কয়া পীরি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।



থা অসিগী ৪দগী নুমীৎ তরেৎনিগী ওইবা ক্কারন্টিন চথরবা মতুং অসামদগী হৌখিবী লোভলিনা বোর্গোহেননা মশাগী ওইবা জিমদা শাজেল তৌবদা নৎতনা ট্রেনিংসু চথবা হৌখি। পুনেগী আর্মিইন্সটিট্যুট অদুদা মতীক চাবা বোক্সিংগী ট্রেনিংগী মতাংদা খূদিংমক ফংবা ঙল্লি হায়না বোর্গোহেননা ফোঙদোরল্লি।

বোর্গোহেননা ফোঙদোরকপদা মহাক্না শান্নরিবা কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটগোরি অদুদা অফবা স্প্যেরিং পার্টনর ফংবগী অৱাবা কয়া লৈরম্বা অদু ইন্সটিট্যুট অসিদদি মদুগী অৱাবা লৈতেহায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্না ইন্সটিট্যুট অদুদা কিলোগ্রাম ৬৯গী ওইনা নুপীগী বোক্সর লৈত্রবসু নুপা বোক্সরশিংগা স্প্যেরিং তৌবগী খূদোংচাবা অদু ফংই হায়খি।

নুপা বোক্সরশিংগা ট্রেনিং চথমিন্নবদা মহাক্না হান্না থেংনরকখিবশিং অদুদগী তোঙানবা মহাও অমা ফংখি। ফিজিকেল অমদি টেক্নিকেলগী লম্দা নুপা বোক্সরশিং অসিগা ট্রেনিং চথবদা হান্নদগী য়াম্না কান্নবা হেল্লি হায়খি। মখোয়গী পঞ্চশিং অদু শাফূ য়াম্না কল্লি। লোয়ননা মঙোন্দগী হেন্না ৱাংবা মরম্না মহাক্না কম্পিটিসন শরুক য়ারকপা মতমদা মহাক্কী লম্বা অদুনা মঙোন্দগী হেন্না ৱাংবা ওইরম্লবদি মদুগী খূদোংচাবা অদুসু ইন্সটিট্যুট অসিদা চথরিবা ট্রেনিং অসিনা কান্নবা কয়া পীরগনি হায়খি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা বোর্গোহেন মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবনি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মহাক্না ৱেথ মান্নবা নুপী বোক্সর অমা পীবীয়ু হায়খিবা অদু য়ারকপদা মহাক য়াম্না অপেনবা ফোঙদোকখি। কেম্প অদুদা কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱর্ল্ড য়ুঠ চেম্পিয়ন ওইরিবী অরুনধাটি চৌধরি য়াওরকপনা মহাক্কী ট্রেনিংদা হেন্না নুংঙাইবা ওইরগনি হায়না বোর্গোহেননা মখা তাখি।

পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট অসিয়াম্না সেভ ওইবা ইনভাইরনমেন্ট অমা ওইরি। মসিদসু নৎতনা মহাক্না হন্দক্তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনগী অহানবা দোজ ফংখ্রবনি। ভেক্সিন ফংবা অসিনা মেন্টেল ষ্টেবিলিটি অমা পীবা ঙল্লি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম সেপ্টেম্বরদা ওষ্ট্রেলিয়া চৎলগনি

সিদনি, মে ১৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়া বাইলেটরেল সেরিজ অমা শান্নরগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোলর মেগান স্কুটনা ফোঙদোকখ্রে।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দ বি সী সী আই অমদি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী সেরিজ অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱারোল ফোঙদোকপা লৈত্রি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী টুর অদু হৌখিবা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবনি হায়রি।

মেগানন্না ৱাফম অসি কেট ক্রোস অমসুং এলেক্স হার্টলিনা হোষ্ট ওইদুনা শেম্বা নো বোলস হায়না মিংথোনবা পোদকাষ্ট অদুদা ফোঙদোরকপনি। মদুদা মেগানন্না মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদা সেপ্টেম্বর থাগী ময়াই চনশিল্লকপদা সেরিজ শান্নবা লাক্কদৌরিবনি হায়খি। মসিগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুনা সেরিজ হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা দার্ৱিন সিটিদা কেম্প অনী পাঙথোকপা য়ারি হায়রি। ওষ্ট্রেলিয়াদা টি-২০গী টুর্নামেন্ট ওইরিবা বিগ বাস, ইংলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট সেরিজ এসেস, ৱর্ল্ড কপ অমদি কমনৱেল্থ গেমস মথং-মথং পাঙথোকপগী তাঞ্জা লাক্লি। ইন্দিয়াগা শান্নগদবা সেরিজ অদু মমাংদা ৱান দে মেটচ ৩গী ওইখিবনি।

# টেজাস্বিনি শঙ্করনা য়ু এস এদা পাঙথোকপা হাই জম্পকী কম্পিটিসন অনী মকোক থোংবা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
কেন্সাস ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়াগী এথলিট টেজাস্বিনি শঙ্করনা য়ু এস এগী মানহাটন সিটিদা পাঙথোকপা বিগ ত্বেল্ভ আউটদোর ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড চেম্পিয়নশিপতা হাই জম্পকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবা শঙ্করনা থাংজনুমীৎতা মিটর ২.২৮ চোংদুনা হাই জম্পকী গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী ওলিম্পিক্কী ক্কালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দ ওইরিবা মিটর ২.৩৩ য়ৌবদি ঙমখিদে।

শঙ্করনা হায়রিবা কম্পিটিসন অদুগী কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা এদিসনদসু নুপাগী হাই জম্পকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০২০ এদিসন অদুদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়ৈথোকখি। অদুগা ঙরাং কুমজা ২০২১গী ওইনা শঙ্করনা অমুক্কা হন্না কম্পিটিসন অদুগী হাই জম্পকী গোল্ড মেদল ফংখি।

দেল্লীদগী হৌখিবা শঙ্করনা কেন্সাস ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা বিজিনেস এদমিনিষ্ট্রেসন তম্লি। মহাক কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা চহী ৪গী ওইবা এথলেটিক্স স্কোলারশিপ ফংদুনা লৈরিবনি।

শঙ্করনা চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফেদরেসন কপ অদু য়াওবা ঙমখিদে। মরমদি মতম অদুদা নেসনল কোলেজিএট এথলেটিক্স এসোসিএসন ইন্দোর সিজন ওইখিবননি। মদুদসু শঙ্করনা মিটর ২.২৪ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

# অর্জন ভুলরনা এম এম এ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
সিঙ্গাপোরদা বেজ তৌবা মিক্স মার্সিএল আর্টস প্রমোসন ওইরিবা ৱান চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ন ওরিজিন ফাইটর অমনা অহানবা ৱর্ল্ড টাইটল ফংবা অদু অর্জন ভুলরনা ওইখ্রে।

অর্জন ভুলরনা হেভি ৱেথ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগী ফাইট অদুদা হৌখিবা চহী ৫ টাইটল লৌদুনা লাকখ্রবা ফিলিপিনো-অমেরিকান ব্রেন্দন ভিরাবু অনীশুবা রাউন্দদা নোক আউট তৌদুনা চেম্পিয়ন অদু ওইবা ঙমখিবনি। অহানবা রাউন্দদা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট মান্নরম্লবসু অনীশুবা রাউন্দদদি ভুলরনা য়াম্না হেনখিবদগী রেফরিনা মখা তানা শোক্তনবা ব্রেন্দন ভিরাবু খামখিবনি। মমাংদা ইন্দিয়ন ওরিজিন অমা ওইনা অর্জন ভুলরনা ওলিম্পিক্সতা কানাদা লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ফ্রীষ্টাইল রেষ্টলিং শরুক য়াখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ফিফা ২০২২ ৱর্ল্ড কপ ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টতগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

সিওল, মে ১৬ (এজেন্সী):
কটারদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মথং থাদা শান্নগদবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদগী নোর্থ কোরিয়াগী টিম ৱিদ্রো তৌখ্রে হায়না এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা ঙসি কনফর্ম তৌরকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী মথং থাদা লৈবাক মঙানা শরুক য়াদুনা শান্নগদবা ৱর্ল্ড কপ ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদগী ৱিদ্রো তৌখিবগী মরম ফোঙদোরক্ত্রি। অদুবু সাউথ কোরিয়াগী মীদিয়া অমনা থা অসিগী অঙনবদা পীখিবা রিপোর্ট অমদা কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈবনা টুর্নামেন্ট অদু য়াওরোই হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা কটার ৱর্ল্ড কপকী এসিয়া ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টকী প্রিলিমিনরিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অয়াম্বা জুন থাদা য়ৈথোকখ্রবনি। হৌখিবা থাদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা, ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসি মমাংদদি হোম এন্দ অৱে ফোর্মেটতা শান্নরম্বনি। অদুবু হন্দক্কী কোভিদ লাইচৎ অসিগী য়েংলুরগা লৈবাক ৫/৫গী ওইবা গ্রুপ অমনা য়ূম্বু লৈবাক অমদা মেটচ পূম্নমক শান্নবগী ফোর্মেট অদুদা হোংদোরকপনি।




গ্রুপ ঐচকী ওইনা সাউথ কোরিয়াবু য়ূম্বু ওইননবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা লেপখিবনি। হায়রিবা গ্রুপ অসিদা টুর্কমেনিষ্টান, স্রিলঙ্কা, লেবানোন অমসুং কোরিয়া লৈবাক অনী য়াওরিবনি।

এ এফসীগী ৱারোলনা মখা তারদুনা গ্রুপ ঐচকী টিমশিংগী ওইবা ষ্টেন্দিং অদু ফিফাগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা খঙহন্দুনা কম্পিটিসন পাঙথোকপদা অহোংবা খরা লৈহনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিনা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা ২০২৩দা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্কালিফায়িংসু ওইগদৌরিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী হৌখিবা থাদা কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈবনা জপানদা পাঙথোক্কদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতগীসু ৱিদ্রো তৌখ্রবনি। হৌখিবা চহীদগী নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী বোর্দরশিং শিল্ড তৌদুনা লাক্লি।

# নাপোলিনা ফ্যুরেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেরি এগী টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে



রোম, মে ১৬ (এজেন্সী):
ইটালিগী সেরি এগী টাইটল ইন্টর মিলানন্না মাংজৌনন্না লৌখ্রবসু লীগ অসিদা মখা তাবা পোজিসন অহুম্না চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্কালিফাই ওইগদবা মরম্না অকনবা মওংদা লম্বা চথনরকপদা ঙসি অঙনবদা নাপোলিনা ফ্যুরেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।





ফ্যুরেন্টিনানা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ অর্টেমিও ফ্রান্সি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু লম্বা য়াম্না মান্নদুনা শান্নরকপগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। পনবা য়াবদি, নাপোলি মমাংগী মেটচ ৩৬ শান্নবদা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ফ্যুরেন্টিনা মেটচ ৩৬তা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা লোরেঞ্জো ইনসিগনেনা নাপোলিগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ১১ লৈরগা টিমমেট লোরেঞ্জো ভিনুটিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মখোয় মায়থীহৌখি। পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা নাপোলি ৩শুবদা হাইগৎখিবনি। ঙরাং য়ুভেন্টসনা চেম্পিয়ন ইন্টর মিলানবু ৩-২দা থোইদুনা পোইন্ট ৭৫ ফংলগা ৫শুবদা লৈরি। এ সী মিলান মেটচ ৩৬তা পোইন্ট ৭৫ ফংলগা ৪শুবদা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 111

**Calvo Minguez, Ricardo (2410) - Hoffmann, Hans**
**Bundesliga 8586 Germany, 1986**

1.Nf3 d5 2.g3 Nf6 3.Bg2 Bf5 4.d3 c6
5.Nbd2 e6 6.b3 Be7 7.Bb2 h6 8.e4 dxe4
9.dxe4 Bh7 10.Qe2 Nbd7 11.O-O-O O-O 12.h4 a5
13.a3 a4 14.b4 Qc7 15.Ne1 b5 16.g4 Ne8
17.g5 c5 18.gxh6 g6 19.e5 Rb8 20.Ne4 cxb4
21.axb4 Nxe5 22.Nc5 Nc4 23.Bd4 Qf4+ 24.Kb1 Rd8
25.Be4 e5 26.Ned3 Qf6 27.Bc3 Nc7 28.f4 Nd5
29.Bxd5 Rxd5 30.fxe5 Qc6 31.Rde1 Bxc5 32.bxc5 Na3+
33.Kb2 Rxc5 34.Nxc5 Qxc5 35.e6 Nc4+ 36.Kb1 Na3+
37.Kb2 Nc4+ 38.Kb1 Na3+ 39.Ka2 Qxc3 40.exf7+ Rxf7...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 110 Ans. :**
**40.** ...Rxf7 **41.**Qe8+ Rf8 **42.**Qxf8+The white queen decoys Black's king.Kxf8 **43.**Rhf1+ Kg8 **44.**Re8#Backrank mate
**41.**Qe8+ Rf8 **42.**Qxf8+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com